# বিহার অমসুং ওদিষাদা মীরেপ ৯ লম্বা য়াওদনা রাজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

বিহারদা ঙসি রাজ্য সভাগী মীরেপ মঙা লম্বা অমত্তা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বিহার লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি কম রিটর্নিং ওফিসর বাটেশ্বর নাথ পান্দেনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম হেনখ্রবা ফাওবা মীওই মঙাদগী হেন্না মীরেপ চে পীশিল্লত্তবা মরম্না মীরেপ ৫দা মায় পাকপগী সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে। মায় পাকখ্রবা মীরেপশিংগী মনুংদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী অনী, ভারতিয়া জনতা পার্টিগী অমা অমসুং রাষ্ট্রিয় জনতা দলগী অনী য়াওরি।



অতোপ্পা মীওই অমত্তনা মীরেপ চে পীশিল্লক্তবা মরম্না মার্চ ২৬তা মীখল পাঙথোক্লরোই। লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রবা জে দি (য়ু) গী মীরেপশিং অদুদি রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন ওইরিবা হরিবঞ্চ অমসুং রাম নাথ থাকুরনি। মখোয় অনীমক অনীরকশুবা টর্মগী থৌ পুবা হৌরগনি।

প্রভাট খবরগী এদিটর ওইরম্বা হরিবঞ্চনা জর্নেলিজমগী লম্‌দা মতম শাংনা থবক তৌরম্মী। জে দি (য়ু) গী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারগা নক্লবা মীওইনি। রাম নাথ থাকুরনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কর্পুরি থাকুরগী মচানুপানি।

লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রবা বি জে পিগী ভিভেক থাকুরনা মমাঙদা মেম্বর ওফ লেজিসলেটিভ কাউন্সিল ওইরম্মী। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সী পি থাকুরগী মচানুপা অসি অহানবা ওইনা রাজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাক্লকপনি। মায় পাক্লবা আর জে (দি) গী মীরেপশিং অদুদি প্রেম, চান্দ গুপ্ত অমসুং অমরেন্দ্র ধারি সিংহনি।

ওরিষাদসু বি জে দিগী মীরেপ ৪ মক লম্বা য়াওদনা মায় পাকখি। ওপোজিসন্দা লৈরিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা মীরেপ অমত্তা থাদোরক্তবা মরম্না বি জে দিগী মীরেপশিং লম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবনি। মায় পাক্লবা বি জে দিগী মীরেপশিং অদুদি সুভাস সিংহ, মুনা খান, সুর্জিৎ কুমার অমসুং মমতা মহন্তনি হায়রি।

# নিরভয়া কেস : কনভিক্ট অমনা সুপ্রিম কোর্টতা ক্যুরেটিব পিটিসন ফাইল তৌরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

নিরভয়া গেঙ রেপ এন্দ মর্দর কেসকী কনভিক্ট অমা ওইরিবা পৱন গুপ্তনা মশা কঞ্জনবগী অরোইবা পান্থৈ ওইনা সুপ্রিম কোর্টতা ক্যুরেটিব পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা রিভিয়ু পিটিসন দিসমিস তৌরকখিবগী মায়োক্তা অরোইবা পান্থৈ ওইনা ক্যুরেটিব পিটিসন ফাইল তৌখিবনি। জন্যুৱারী ৩১দা সুপ্রিম কোর্টনা কনভিক্ট অসিগী রিভিয়ু পিটিসন রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

জষ্টিস আর বানুমতি, জষ্টিস অশোক ভুসন অমসুং জষ্টিস এ এস বোপানাগী বেঞ্চনা কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা রিভিয়ু পিটিসন অদু দিসমিস তৌখি। জন্যুৱারী ২০দা পিটিসন অদু রিজেক্ট তৌরদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি দিল্লি হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েলদা এপেক্স কোর্টনা খূৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে।



পৱন গুপ্তগী উকিলনা কোর্টতা হায়খি মদুদি হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেটকী মতুংইন্না ক্রাইম চথখিবা মতমদা মীওই অসি জুবেনাইল ওইখি। অদুবু দিল্লি পুলিসকী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহতানদি ৱাফম অসি মখা তানা খন্নবগী মথৌ তাদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মার্চ ৫দা ত্রায়ল কোর্টনা কনভিক্ট ৪ - মুকেস কুমার সিংহ (৩২), পৱন (২৫), বিনয় (২৬) অমসুং অকসৈ (৩১) বু টিহার জেলদা মার্চ ২০গী অয়ূক পুং ৫.৩০ তাবদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। প্রসিদেন্টনা মর্সি পিটিসন রিজেক্ট তৌরকখ্রবা মরম্না কনভিক্ট মরিমক্লা মশা কঞ্জনবগী মতাংদা লোগী ওইবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎনীংঙাই লৈত্রে হায়না লৌনরি।

অমরোমদা, কনভিক্ট মরিগী মনুংদা য়াওরিবা মুকেস সিংহনা ত্রায়ল কোর্টকী য়াথং শিংনরদুনা দিল্লি হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে। কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ১৬তা থৌদোক থোকখিবা মতমদা মহাক মশামক দিল্লিদা লৈতে হায়বা ৱাফম পুখৎলদুনা কোর্টতা মুকেস সিংহনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। ত্রায়ল কোর্টনা মমাঙদা পিটিসন অসি দিসমিস তৌখ্রবনি।

## মধ্য প্রদেশকী রেবেল এম এল এশিং ফাজিনবা য়ারোই : কোর্ট

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

মধ্য প্রদেশ কোংগ্রেসকী রেবেল এম এল এ ১৬ জজগী চেম্বরদা পুথোকপগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবসু এম এল এশিং ফাজিন্দুনা থম্বা য়ারোই হায়না খঙহনখ্রে।

জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিশ হেমন্ত গুপ্তগী বেঞ্চনা হায়খি, পাঙ্গল চাংয়েংদা করম্বা মায়কৈনা মায় পাকপগে হায়বদু লেজিসলেটরশিংনা ৱারেপ লৌজ গদবনি। নাকল অমনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা এম এল এ ১৬ ফাজিন্দুনা থম্বা য়ারোই।

মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর সিবরাজ সিংহ চৌহান অমদি কোংগ্রেসনা ফাইল তৌরকপা পিটিসনশিং হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি।

মধ্য প্রদেশতা রেবেল এম এল এ ২২ ফম থাদোক্লগে হায়রকপদগী টিকেট অসিদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোরকখি। চৌহানগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাটগীনা রেবেল এম এল এ ১৬মক জজগী চেম্বরদা পুথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

অমরোমদা রেবেল এম এল এশিংনা কোর্টতা হায়খি মদুদি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা থোরকপা য়াবা ফীভম পূম্নমক মায়োক্লনবা শেম শারে। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা অমুক হন্না উনবা পামদ্রে। কনাগুম্বা এম এল এ অমনা ফম থাদোকচরগে হায়বদা মায়কৈ অমত্তনা অথিংবা পীরোইদবনি হায়নসু রেবেল এম এল এশিংনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

এম এল এশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট মনিন্দর সিংহনা হায়খি মদুদি ফম থাদোকপা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্তা কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইটনি। স্পিকরনসু ফম থাদোকপগী ৱাফমদা পন্থবা তৌদনা অয়াবা পীফম থোকই।

## লানগী ফীভমদা শেম শানবা পেরামিলিটরি ফোর্সতা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন আর্মিগী লান্মী অমা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা পেরামিলিটরি ফোর্সেসতা লানগী মতৌগুম শেম শাবগী থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই লাক্ষ ২ হেন্না পোজিটিভ ওইহনখিবগা লোয়ননা মীওই লিশীং ৮ লোম শিহনখ্রবা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা পেরামিলিটরি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী ওইনা ইনফেন্ট্রি রেজিমেন্ট অমা ওইরিবা লদাখ স্কাউদকী লান্মী অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। রিপোর্ট অসি ফংলবা মতুংদা লদাখ স্কাউদ রেজিমেন্টকী লান্মী ৮০০ লোম কনাগুম্বা মীওই অমত্তগা উনহন্দনা থমখ্রে।

ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর) না নুমিৎ ৩০গী মনুংদা লৈঙাক্লা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা থৌরাং মতিক চানা লৌখৎপা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

কাউন্সিলগী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল (মেদিকেল) ডা. মুকেস সক্সেনানা থোকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, কোরোনাভাইরস শন্দারকপদা খ্বাইদগী খুদোংথীনীংঙাই ওইরিবা অসি মেদিকেল ষ্টাফনি। অনা লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা লায়না লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইরকপা তারবদি হেলথ ক্যের সিষ্টমদা অচৌবা পোৎলুম অমা থোনগৎলগনি। মালেমগী পুৱারীদা খ্বাইদগী লৌনগনবা লায়না কোভিদ-১৯না ওইরে হায়না পল্লদুনা ডা. সক্সেনানা হায়খি, লান চঙবগী মওংদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না শন্দোরক্লগনি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মথৌ তৌরিবা পেরামিলিটরি ফোর্সকী নুপা অমসুং নুপী লান্মী লাক্ষ ১০ রোম মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# মীয়াম পূনবা থিংখ্রবসু চেন্নাইদা ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন অমনা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা মোল, সিনেমা হোল, জিম, মহৈ তম্ফম লোইশঙ অমদি পব্লিক পার্কতা মী পূনবা থিংখ্রবসু চেন্নাইদা টামিল নাদু টৌহিট জমট কৌবা ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন অমনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) গী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লিনা নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টার (এন পি আর) গী মায়োক্তা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌগদবনি হায়নসু ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন অসিনা তকশিনখি। 'জেল ভরো' হায়না মীংথোনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নুপী, অঙাং অমদি অহল ওইরবা মীওই কয়া য়াওনা মীওই লিশীং কয়ানা মদ্রাজ হায় কোর্ট মেট্রো ষ্টেসন্দা পূল্লগা সী এ এগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা 'হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা মীওই ৪ শিহনখিবদা ঙাইরি, সী এ এনা শিহনখিবা মীশিংদি ৮০ হেল্লে' অমসুং 'ইরৈবাক্তা রেফ্যুজি ওইনা লৈগদবগী মহুৎ কোরোনাভাইরসনা নারগা শিখিবনা ফৈ' হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

লৈঙাক্লা মী পূনবা থিংখ্রবসু সী এ এ ৱিথদ্রো তৌহন্নবগী পান্দমদা তঙাইফদনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি হায়না ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন অদুগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

মার্চ ১৬তা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা মহৈলোইশঙ য়াওনা মীয়াম পূনবা মফম পূম্নমক থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখ্রবনি। ফীভম অমত্তদা কনাগুম্বনা রেল্লি অমদি পব্লিক মিটিংনচিংবা পাঙথোকপা য়ারোই হায়নসু লৈঙাক্লা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

চেন্নাইগী সহিন বাঘনি হায়না লৌনরিবা ৱাসরমেন পেটতা চঙশিল্লম্বা মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন অমনা শীন্দুনা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

ফেব্রুৱারী থাদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা নোর্থ চেন্নাইগী ৱাসরমেন পেটতা পুল্লগা নুমিৎ ৩৩নি রোম সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখি। মীয়ামগী অপাম্বদি টামিল নাদুদা সী এ এ চৎনহল্লোই হায়না এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌবদুনি।

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপনা মরম ওইরগা মতম খরা খোঙজং হন্দোক্লবসু অমুক হন্না সী এ এ, এন আর সী অমসুং এন পি আরগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়রি।

/খোঙ তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা মচা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা নুংশিৎ কাবা, খোঙ তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বা মতমদা অকনবা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙদা চাথৎপা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা রিয়াজউদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বা মতমদা তোলহাও অমদি কোঙ্গোলগা লোয়নরকপা, খোঙ হান্বা লোইরবা মতুংদা হকচাংদা য়াম্না চোকথ-ৱান্থবা, অমাংথোঙ ময়াদসু মচা-মচা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা হম-হম লাউনা লাক্লগা চিকপা-পুক্তা নুংশি কারগা খোঙ তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা তৌরম্বা অদু ওজা এম ভি রিয়াজউদ্দিন বুয়ামযূম ☎ 7085494783, 9856797338 দা চৎতুনা মতম খরা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে অমসুং নুংঙাইজরে। ওজা রিয়াজউদ্দিনবু থাগৎচরি।

**লায়েংফম :-1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal (10:30am - 4:30pm)**

**2) Mayang Imphal Konchak Bazar. (6:30am)**

HL-P/7006/19 *থাগৎচরিবা :* **Chouba, Wangkhei**

/ পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, শৌজদা হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথীবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হীদাক চাজবদগী শুপ্নতগী নুমিৎ ১৫নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পূম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তানবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনীংই।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)

2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)

*থাগৎচরিবী :* **Y. Leibaklei Devi**

HL-P/6245/18 Sagolband Thiyam Leikai

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 148/SDC/IW -L/2020**

Laishram Pakpi Devi W/o L. Nataraj Singh of Nagamapal Singjubung Leirak. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Laishram Santibala Devi W/o (L) Jugeshor Singh of Nagamapal Singjubung Leirak. ... O.P. Party

**NOTICE**

The 18/03/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম শান্তিবলা দেবী পতি জুগেশ্বর সিংহ, সাং নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্কী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৯৬ - লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৯১, দাগ নং ৬২৩/৮১৭ অমসুং এরিয়া ০.৫১০০১ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6627/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, IW : Lamsang***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 152/SDC/IW -L/2020**

Brajarani Koijam W/o Irengbam Hemochandra Singh of Chingamakha Kshetri Leikai Singjamei. *...Petitioner*

-Vs-

Laishram (N) Ibetombi Devi D/o Leiren Singh of Chingamathak Nameirakpam Leikai. ... O.P. Party

**NOTICE**

The 18/03/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম নিংঙোল ইবেতোম্বী দেবী পীং মৃ: লৈরেন সিংহ, সাং চিংঙামথক নামৈরাকপম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৫- কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫৮, দাগ নং ১৩১৫ অমসুং এরিয়া ২.৫৪০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6627/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, IW : Lamsang***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 149,150 and 151/SDC/IW -L/2020**

1. Brajarani Koijam W/o Irengbam Hemochandra Singh of Chingamakha Kshetri Leikai Singjamei. *...Petitioner*

-Vs-

1. (Late) Laishram (N) Ibetombi Devi D/o (L) Leiren Singh of Chingamathak Nameirakpam Leikai. ... O.P. Party

**NOTICE**

The 18/03/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম নিংঙোল ইবোতোম্বী (ইবেতোম্বী) দেবী পীং মৃত: লৈরেন সিংহ, সাং চিংঙামথক নামৈরাকপম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৬- ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৪১, ৫৪০ অমসুং ৫৩৯, দাগ নং ২১৫১, ২১৫৫, ২১৪৬, ২০৭৯, ২০৮৪, ২০৯২গী এরিয়া ১.১১০০০, ২.৩২০০২, ১.২৩০০৬, ০.৫০০০০, ০.৫৫০০০ অমসুং ০.৯৭০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফমশিং অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6627/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, IW : Lamsang***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 147/SDC/IW -L/2020**

Kabrambam (N) Sinam (O) Mema Devi W/o Sinam Gulamchat Singh of Ngariyambam Kwasiphai. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Kabrambam Kulla Singh S/o (L) Jatra Singh of Lambal. ... O.P. Party

**NOTICE**

The 16/03/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার কাব্রাম্বম কুল্লা সিংহ, পীং মৃ: যাত্রা সিংহ, সাং লাম্বালগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৪ - লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪১, দাগ নং ১৫২ অমসুং এরিয়া ০.৯৭০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6627/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, IW : Lamsang***

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 74/SDC/Bishnupur, 2020**

1. Elangbam Thoiba Singh S/o (Late) E. Gorbadhon Singh of Toubul.
2. Thokchom Laingam Singh S/o (L) Noren Singh of -do- *...Petitioners*

-Vs-

Elangbam Gorbadhon Singh S/o (Late) Amujao Singh of Toubul. - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 18-3-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Elangbam Gorbadhon Singh S/o (Late) Amujao Singh of Toubul দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 36/168 (Old), 29/540 (New), C.S Dag No. 1099/1462 গী 0.33 চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বাশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চথরনি।

HL-P/6626/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 313/SDC/NBL of 2020**

Thangjam Kumar Singh S/o (L) Netra Singh of Nambol Makha. *-Petitioner*

-Vrs-

1) (L) Shagolshem Iboyaima Singh S/o (L) Sh. Bapu Singh of Nambol Makha. (2) (L) -do- (O) Chaobi Devi W/o Iboyaima Singh of -do- (3) (L) Hidangmayum Angangbapu Sharma S/o (L) H. Chaoba Sharma of -do- (4) (L) Thangjam Netra Singh S/o (L) Ton Singh of -do- -Pattadars

**NOTICE**

Dt. 17/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 20 - Nambol Makha (1) Patta No. 124 (Old), 146 (New) Dag No. 1055, Area 0.51 acre of Phourel Class (2) 139 (New), Dag No. 223 area 0.54 acre of Ingkhol Class (3) Patta No. 20, 10 (Old), 270 (New), Dag No. 2062, Area 0.95 acre of Taothabi Class (4) Patta No. 197/351 (New), Dag No. 1059, Area 0.90 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6625/18 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 314/SDC/NBL of 2020**

Thangjam Robindro Singh S/o (L) Netra Singh of Nambol Makha. *-Petitioner*

-Vrs-

(1) Naorem Kaoba Singh S/o (L) Tomchou Singh of Oinam Tangleihada Basti. (2) (L) Shagolshem (N) Pashot Devi D/o Iboyaima Singh of Nambol Makha. (3) (L) Ashem Chand Singh S/o (L) Mera Singh of Nambol Makha. (4) (L) Pukhrambam Shamu Singh S/o (L) Kanhai Singh of -do- (5) (L) Oinam Ningthouremba S/o (L) Gulamjat Singh of -do- (6) (L) Arambam Nongyai S/o (L) Chaoba Singh of -do- (7) (L) Konjengbam Bapu Singh S/o Yadav Singh of -do- (8) (L) Shagolshem Iboyaima Singh S/o (L) Bapu Singh of -do- -Pattadars

**NOTICE**

Dt. 17/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 20 - Nambol Makha (1) Patta No. 60 (New), Dag No. 227, Area 0.98 acres of Phourel Class (2) Patta No. 147 (New), Dag No. 1044, Area 0.71 acre of Phourel Class (3) Patta No. 253 (New), Dag No. 1071, Area 3.41 acres of Taothabi Class (4) Patta No. 136 (New), Dag No. 218, Area 0.20 acre of Ingkhol Class হায়রিবা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারশিংগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6625/18 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 311/SDC/NBL of 2020**

1) Naorem Ojit Singh S/o N. Apabi Singh of Nambol Sanapati Sabal.
2) -do- Indira Devi W/o N. Ojit Singh of -do- (Appl 1 & 2 share 0.055 crew)
3) -do- Hemachandra Singh S/o N. Apabi Singh of -do-
4) -do- Lembi Chanu W/o H. Hemachandra Singh of -do- (Appl 3 & 4 share 0.055 acre)
5) -do- Leiren Devi W/o Chaoba Singh of -do- (Share 0.11 acre)
6) -do- Bijoy Singh S/o (L) N. Kothonjao Singh of -do- (Share 0.11 acre)
7) -do- Binitkumar Singh S/o N. Nimai Singh of Govindra Gram Wakching Khullen (Share 0.11 acre). *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Naorem Kothonjao Singh S/o (L) N. Manglem Singh of Kongkham. -Pattadar

**NOTICE**

Dt. 17/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham Patta No. 437 (Old), 169 (New), Dag No. 526, Area 0.44 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নং (১) & (২), (৩) & (৪), (৫), (৬), (৭) না মখোয় মখোয়গী, মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6625/18 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

**AHELBA ACADEMY**

**OF COMPETITIVE EXAMINATIONS**

KEISHAMPAT JUNCTION OPP-CCPUR PARKING 8794341383/9383071303

Education
EMPOWERING YOUTHS

**GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)**

**FOR BANKING, SSC & OTHER COMPETITIVE EXAMS**

**Class starting on 30th March,2020**

**Class Commencing for**

**STENOGRAPHER GRADE-III**

**SECRETARIAT: GOVT OF MANIPUR**

**Class Timing :- MORNING - 6:30-11:00am NOON – 12:00 – 2:30pm**

**MATHS FOUNDATION**
**COURSE: 3 Months**
**30th March, 2020 : 9:00 – 11:00am**

**ENGLISH & REASONING**
**FOUNDATION**
**COURSE: 3 Months**
**30th March, 2020 : 6:30 – 8:300am**

HL-PB/6130/18-31/1-2